# কেবিনেটনা প্রধান মন্ত্রি কৌশাল বিকাশ যোজনা অয়াবা পীখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৩ (এজেন্সী) :
প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চ্যেরমেন ওইদুনা পাঙথোকখিবা য়ুনিয়ন কেবিনেটনা প্রধান মন্ত্রি কৌশাল বিকাশ যোজনা অয়াবা পীখ্রে। থৌরাং অসিগী মখাদা লুপা ক্রোর ১২,০০০ থাদদুনা চহী ৪গী মনুংদা মীওই ক্রোর ১ মখুৎ-মশা হৈহনগদৌরি।

কুমজা ২০১৬ দগীনা কুমজা ২০২০ ফাওবগী মনুংদা মীওই ক্রোর ১ রোম ট্রেনিং পীদুনা মখুৎ-মশা হৈবা মীশক অমমম্ ওইহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়রি। অহানবদা পি এম কে ভি ৱাইনা নহারোল লাখ ৬০ দা ট্রেনিং পীগনি অমসুং রিকগ্নিসন ওফ প্রাইয়র লর্নিং (আর পি এল)গী মখাদা হান্না ট্রেনিং পীখ্রবা মীওই লাখ ৪০ সর্টিফাই তৌগনি হায়রি।

মমাঙদা লাউথোকখিবা ৱাফমগী মতুংইন্না স্কিম অসিগী মখাদা নহারোলশিংবু মতমগা চুনবা মওংদা মখুৎ-মশা হৈহন্নবা ট্রেনিং পীবগা লোয়ননা মদুদা চঙবা শেনফম পুন্নমক গভর্ণমেন্টনা রিইম্বর্স তৌগদৌরি।

ট্রেনীশিংদা ট্রাভেল এলাৱেন্স পীবগা লোয়ননা বোর্দিং অমদি লোদজিংগী অচংবা শেনফম পুন্নমক গভর্ণমেন্টনা পীগনি। ট্রেনিং লোইরবা মীওইশিংবু দাইরেক্ট বিনিফিট ট্রান্সফর (দি বি টি)গী খুত্থাংদা পোষ্ট প্লেসমেন্ট সপোর্ট পীগনি হায়রি।

ট্রেনিং পার্টনরশিংদা ট্রেনিংগী অচংবা শেনফম পীবা মতমদা আধার অমদি বাইওমেট্রিক্কা মরী লৈনহনগদৌরি। নেসনল স্কিল ক্কালিফিকেসন ফ্রেমৱার্ক (এন এস ক্যু এফ)কা চানবা মওংদা নহারোলশিংবু মখুৎ-মশা হৈহন্নবা ট্রেনিং পীগনি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

রিপোর্ট অমনা হায়খি, চীফ মিনিষ্টরশিংগী সব-গ্রুপ অমনা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংগী চানগদবা মওংদা রেকমেন্দ তৌখিবা ৱাফম অদুগী মতুংইন্না পি এম কে ভি ৱাই২০১৬-২০গী থৌরাং লৌখৎপদা ষ্টেটশিংসু শরুক য়াহনগনি। ট্রেনিং লোইরবা মতুংদা রোজগার মেলা (প্লেসমেন্ট কেম্প) অমসুং কৌশাল সিবিরজ (মোবিলাইজেসন কেম্প) পাঙথোক্তুনা মখুৎ-মশা হৈরবা মীওইশিং অদুবু থবক ফংহন্নবা হোৎনগনি।

ট্রেনীশিংবু ইন্সেন্টিভ পীবগা লোয়ননা থবক ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎকনি অমসুং গল্ফ লৈবাকশিং, য়ুরোপ অমদি অতৈ তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা থবক ফংগদবা মওংদা ট্রেনিং পীগনি। স্কিম অসিগী মখাদা খনগৎতুনা ট্রেনিং তৌবা মীওইশিংদা স্কোলারশিপসু পীগনি হায়রি।

রিপোর্ট অমনা হায়খি য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা লুপা ক্রোর ১২,০০০ থাদদুনা নহারোল ক্রোর ১ তোঙান-তোঙানবা শিনফমদা মখুৎ-মশা হৈহনবগা লোয়ননা মশানা মশাবু থবক পীজবা ঙম্নবা অমসুং মপান লৈবাক কয়াদা থবক ফংহন্নবা হোৎনগনি।

# মাইনোরিটিশিংবু থাক ৱাংহন্নবা হোৎনরি : নকবি

ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৩ (এজেন্সী) :
মাইনোরিটি এফেয়র্সকী ইন্দিপেন্দেন্ট চার্জ পুখ্রবা মুখটার অবাজ নকবিনা হায়খ্রে মদুদি, মীশীং য়ামজদবা ফুরুপকী মীওইশিংবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎপা হায়বসিনা গভর্ণমেন্টকী খ্বাইদগী মরুওইবা থৌরাং ওইগনি।

শোত্থনা লৈহৌরবা ফুরুপকী মীওইশিংবু হীরম খুদিংমক্তা চাউখৎহন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎপগা লোয়ননা থৌরাং অদু মায় পাকহন্নবা হোৎনগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

য়ুনিয়ন মাইনোরিটি এফেয়র্স মিনিষ্টর নজমা হেপ্টুলাহনা ঙরাং লন্নাইগী ওইবা মরম খরদগী ফম থাদোকখ্রবা মতুংদা নকবিনা ফম অসি পায়খিবনি। ফম অসি পায়রবা মতুংদা পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা মহাক্না হায়খি, গভর্ণমেন্টনা পায়খৎপা মাইনোরিটিশিংগী চাউখৎ থৌরাং পুন্নমক শোত্থনা লৈরিবা ফুরুপকী মীওই খুদিংমক্তা য়ৌহন্নবা হোৎনগনি।

নজমা হেপ্টুলাহনা ঙরাং প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জীদা ফম থাদোকপগী চেরোল পীশিল্লকখি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী এদভাইস মতুংইন্না ফম থাদোকপগী চেরোল অদু প্রসিদেন্টনা অয়াবা পীখি। তুংদা প্রসিদেন্টনা মুখটার অবাজ নকবিদা মাইনোরিটি এফেয়র্সকী থৌ পুনবা খঙহনখি। রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না নজমা হেপ্টুলাহগী থবক থৌওংশিংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা পেল্লক্তবদগী মহাকপু ফম থাদোকহনখিবনি হায়রি।

# ওফিস ওফ প্রোফিট : সুপ্রিম কোর্টনা ঙসি হিয়ারিং চথখরগনি



ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৩ (এজেন্সী) :
ইলেক্সন কম্মিসননা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি ওইরিবা আম আদমি পার্টি (এ এ পি)গী এম এল এ ২১গী পার্সনেল হিয়ারিং হয়েং চথখরগনি।

হৌখিবা জুন থাদা ইলেক্সন কম্মিসননা পীখিবা নোটিশ অমগী পাউখুমদা এ এ পিগী এম এল এ ২১ না পার্সনেল হিয়ারিং চথনবা হায়জখিবনি।

পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি ওইরিবা এম এল এ ২১ এসেমব্লিদগী দিসক্বালিফাই তৌগদবনি হায়না প্রসান্ত পটেল কৌবা উকিল অমনা পিটিসন অমা ফাইল তৌরকপদগী কম্মিসননা কেস অমা লৌখৎখি।

অহানবা হিয়ারিং চথবা নুমিৎতা কম্মিসননা এম এল এ ২১ মক পুল্লপ কৌখৎলগা হিয়ারিং চথুগদ্রা নৎত্রগা অমমম্তা ওইনা কৌখৎকদ্রা হায়বদু হৌজিকমক্কী ওইনা খঙবা ঙমদ্রি। মমাঙদা এম এল এশিংনা কম্মিসনদা পীখিবা পাউখুমদা হায়খিবনি মদুদি, পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি হায়বসি ইচম চম্না মমিংগীতা ওইনা লৈবা ফমনি। মসিদা অহেনবা তোলোপ নৎত্রগা পাৱর য়াওদে।

পনবা য়াবদি, চীফ মিনিষ্টর আর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা লুচিংবা দিল্লি গভর্ণমেন্টনা এ এ পিগী এম এল এ ২১ পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি ওইনা খল্লবা মতুংদা দিল্লি মেম্বরস ওফ লেজিসলেটিব এসেমব্লি (রিমুভেল ওফ দিসক্বালিফিকেসন) এক্ট, ১৯৯৭ এমেন্দ তৌনবা থৌরাং লৌখৎলকখি।

দিল্লিগী লেফটনেন্ট গভর্ণর নজিব জংনা বিল অদু সেন্টরদা ফোরৱার্দ তৌদুনা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি ওইরিবা এ এ পিগী এম এল এশিং দিসক্বালিফাই তৌহন্দনবা থৌরাং তৌখি।

প্রসিদেন্টনা বিল অদু অয়াবা পীখিদ্রবা মতুংদা ইলেক্সন কম্মিসননা হীরম অসিগী মতাংদা কেস অমা লৌখৎতুনা এম এল এ ২১ কৌখৎখি। ওপোজিসননা এ এ পিগী এম এল এ ২১ পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি ওইনা খনখিবগী মায়োক্তা ৱাফম কয়া এসেমব্লিদা পুখৎলকখিবনি।

লেফটনেন্ট গভর্ণরনা হায়খি মদুদি, পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি হায়বা ফম অসি দিল্লিগী লোগী মতুংইন্না ওফিস ওফ প্রোফিটকী মনুং চল্লি হায়না লৌফম থোকই। অদুবু জি এন সী টি এক্টকী মতুংইন্নদি দিল্লিদা শুপ্নগী পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি অমদগী হেন্না লৈহনবা য়াদে হায়রি।

পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি ওইরিবা এম এল এ ২১গী মনুংদা অলকা লম্বা, আদর্স শাস্ত্রি অমদি রাজেশ গুপ্তনচিংবা কয়ামরুম য়াওরি।

# এন আই এনা জকির নাইককা পাউ ফাওননবা থৌরাং তৌরি

ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৩ (এজেন্সী) :
নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী (এন আই এ)না সাউদি অরাবিয়াগী মেদিনাদা লৈরিবা ইস্লামিক প্রিচরর জকির নাইককা পাউ ফাওননবা থৌরাং তৌরি।

ছোর্স অমনা হায়খি মদুদি, এন আই এনা নাইকতা পাউ ফাওরক্নবা খঙহনখিবগা লোয়ননা হৌজিক-হৌজিকমক পাউখুম ঙাইদুনা লৈরি।

জকির নাইককী মায়কৈদগী হৌজিক ফাওবা পাউখুম পীরকপা লৈত্রি। ইন্দিয়াদা হল্লকপগী ৱাফমসুময়েক শেংনা ফোঙদোরকপা লৈত্রি।

এন আই এনা ইস্লামিক প্রিচরর অসিগী মোবাইল ফোনদা পাউ ফাওননবা থৌরাং তৌবদা স্বিটচ ওফ তৌরম্বা থেংনখি হায়না ছোর্স অমনা ফোঙদোকখি।

জকির নাইকনা ইস্লামিক ষ্টেট ওফ ইরাক এন্দ সিরিয়া (আই এস আই এস)কী মীওই খরগা ফম্মীন্নদুনা ৱারী শানখিবগী ভিদিও ফূটেজ অমা উরবা মতুংদা এন আই এনা মীওই অসিগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎনবা ফিরেপ লৌখিবনি।

এন আই এনা তোঙান-তোঙানবা সী দি ৫০০ রোম হেন্না য়েংশিনবদা জকির নাইকনা টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসনশিংগী মরুওইবা লুচিংবা কয়াগা উনখিবগী থৌওং খঙবা ঙমখি। হায়রিবা মীওই অসিনা ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা মীওই কয়াবু আই এস আই এস অমদি অতৈ টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসনশিংদা য়াওহন্নবা হোৎনৈ হায়বসু খঙবা ঙমখি।

মহাক্না থাখিবা ঈ-মেল লিশিং কয়ামরুম চেক তৌবদা শেল থাদোক-থাজিন তৌবা অমসুং টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসনশিংগা তোয়না পাউ ফাওনখিবগী ৱাফম খঙবা ঙম্লকখি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা জকির নাইকনা সাউদি অরাবিয়াদগী ইন্দিয়াদা হল্লক্নবা থৌরাং তৌরম্বনি অদুবু মহাক্কী মথক্তা এন আই এনা থিগৎনবা শেম শাদুনা লৈরে হায়বা খঙবদগী ইন্দিয়াদা হল্লকখিদে।

রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না জকির নাইকনা লুচিংবা ইস্লামিক রিছার্স ফাউন্দেসন (আই আর এফ) কৌবা চেরিটেবল ওর্গনাইজেসন অমনা শেল থাদরগা ধাকাদা অনীরক হন্না এটেক চথহনখি হায়রি।

মুম্বাইদা জকির নাইকপু তরাম্না ওক্নবগীদমক তোঙান-তোঙানবা ইস্লামিক ওর্গনাইজেসনশিংনা শেম শাদুনা লৈরিঙৈদা মহাক ইন্দিয়াদা লাক্লরোই হায়না আই আর এফনা খঙহল্লকখিবনি।

# জে এন্দ কেগী ফীভম লাকশিনবা ঙমদবগী ওমার অব্দুলানা মেহবুবা মুফটিবু মরাল শীখ্রে

শ্রীনগর, জুলাই ১৩ (এজেন্সী) :
হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা হিজবুল মুজাহিদীনগী কম্মান্দর বুরহান ৱানি হাৎখিবগী মতুং তারকপদা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা মীয়াম্না খোঙজং চঙশিল্লকখ্রবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টর মেহবুবা মুফটিনা মীপুম খুদিংমক ঈং-তপ্পা ফীভমদা হঞ্জিনহন্নবা হোৎনবীয়ু হায়না আপিল তৌখ্রে।

মুফটিনা ঙসি কুমজা ১৯৩১গী ঈহৌদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী নীংশিং খূভমদা চৎতুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি। শ্রীনগরগী নকাসবন্দ সাহিব এরিয়াদা লৈবা অথৌবশিংগী মোংফমদা অকনবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা ইকায় খুম্নবা উৎপগী থৌরম পাঙথোকখি।

অমরোমদা, নেসনল কনফরেন্সকী লুচিংবা ওমার অব্দুলাসু মফম অদুদা লাক্তুনা অথৌবশিংগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎখিবগা লোয়ননা হায়খ্রে মদুদি, ষ্টেট অসিদা মহৌশাগী ফীভম হঞ্জিনহল্লক্লে হায়বা উৎনবগীদমক মেহবুবা মুফটিনা লুচিংবা গভর্ণমেন্টনা মীওই কয়া বসতা হোল্লকপা উবদা অঙকপা পোকই।

মুফটিনা ঙরাং কাশ্মীরি নহারোলশিংবু অখাঙ কনবগা লোয়ননা লুরবা তানফম অসিদা লৈবাক্কীদমক খন্দুনা খোঙজং হন্দোকপীনবা আপিল তৌখিবনি। মহাক্না হায়খি, ঈ-নাই তানবনা মখল অমত্তগী কান্নবা পুরক্লোই। মদুগী মমাঙদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কাশ্মীর তম্পাক্তা ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী মতাংদা নুংনাংবা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

চৈরকসিদা, কাশ্মীর তম্পাক্কী মফম অয়াম্বদা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থম্বগা লোয়ননা মীয়ামগী চৎথোক-চৎশিনদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্নহনখ্রে।

হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মনুংদা মীয়াম্না অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকপদা পুলিসনা খোঙজং অদুবু লাকশিন্নবা হোৎনবদা মীওই ৩৪ শিখ্রবনি।

অমরোমদা, সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা ঙসিসু খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মীওই অমা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং চীফ মিনিষ্টর মেহবুবা মুফটিনা মীপুম খুদিংমক ঈং-তপ্পা লৈবীনবা আপিল তৌখি।

হুরিয়ট কনফরেন্সকী চ্যেরমেন সয়িদ অলি শাহ গিলানিসু অথিংবা থুগায়দুনা অথৌবশিংগী নীংশিং খূভমদা ইকায় খুম্নবা উৎপা লাকখি। মহাক্না সিক্যুরিটিগী অথিংবা থুগায়দুনা এয়রপোর্ট রোদতা অথৌবশিংগী নীংশিং খূভম তম্না লাকপদা পুলিসনা লম্বীদা থৎতুনা মখা তানা চৎহনখিদে হায়না মকোক থোংবা পুলিস ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

# গোধ্রাদা ট্রেন মৈ থাখিবগী থৌদোক্তা মপুং ওইনা চেন্নবা মীওই ফারে



মালেগাউন, জুলাই ১৩ (এজেন্সী) :
কুমজা ২০০২ দা গোধ্রাদা ট্রেন মৈ থাখিবগী থৌদোক্তা মপুং ওইনা চেন্নবা ইম্রান বাতুক কৌবা মীওই অমা অহমেদবাদকী ক্রাইম ব্রাঞ্চনা মালেগাউনদগী ফাখ্রে।

বাতুক হায়রিবা মীওই অসি মালেগাউনদা অয়াবা য়াওদনা সেন্দ মাইনিংগী থবক তৌবা মীওইনি হায়রি। ফারুক মহমদ এলিয়স ভানা কৌবা গোধ্রাগী থৌদোক্তা চেন্নবা মীওই অমা গুজারাটকী এন্টি টেররিষ্ট স্কৱাদ (এ টি এস)না গোধ্রা সীটিদগী কিলোমিটর ২৫ লাপ্পা লৈবা কালোল টাউনদগী ফাবা লৈখ্রবনি। হায়রিবা মীওই অসিনা নুমিৎতুদা কেরোসিন হৈজিল্লগা গোধ্রা রেলৱে ষ্টেসন মনাক্তা সবরমটি এক্সপ্রেস ট্রেনগী এস-৬ কোচ মৈ থাখিবনি হায়রি।

ট্রেন মৈ থাবগী থৌদোক অদু চথরম্লবা মতুংদা ভানাদি মুম্বাইদা চেনখিরম্মী। মহাক কুমজা ২০০২ দগী থিবা খঙদনা লৈরকখিবনি। কোন্না থিগৎলুবা মতমদা মীওই অসি মুম্বাইদা প্রোপর্টি ব্রোকর ওইনা লৈরম্বা থেংনখি। মমাঙ চহীদা এ টি এসনা কেস অসিগা মরী লৈননা কসম ইব্রাহিম ভামেদি কৌবা মীওই অমসু ফাখি। কুমজা ২০০২ দা সবরমতি এক্সপ্রেসকী এস-৬ কোচ মৈ থাবদা হায়রিবা মীওই অসিসু মরুওইবা থৌদাং লৌখি হায়রি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা অতোপ্পা মীওই অনী-কাদির অব্দুল গানি অমসুং হুসেন সুলেমান মোহোন মমাঙ চহীদা ফাখিবনি।

মীওই ৫৯ শিখিবা গোধ্রাগী থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা ষ্টেট অসিদা পাক শন্না কাঙলুপকী ওইবা খুৎ থোক্নবগী থৌদোকশিং থোরকপদা মীওই লিশিং ১ হেন্না শিখিবনি। কুমজা ২০০২ গী ফেব্রুৱারী ২৭ তা ট্রেন মৈ থাখিবগী থৌদোক্তা শিখিবা মীওই ৫৯ গী মনুংদা অয়াম্বা মীওইদি বিস্বা হিন্দু পরিষদ (ভি এচ পি)গী মেম্বর ঙাক্তনি। মীওইশিং অদু উত্তর প্রদেশকী মনুং চন্না লৈবা অযোধ্যাদগী ট্রেন তোংলগা হল্লকপদা খুদোংথীবা থৌদোক অদু নংখিবনি।

কুমজা ২০১১গী ফেব্রুৱারীদা স্পেসল কোর্ট অমনা ট্রেন মৈ থাখিবগী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মীওই ৩১ কনভিক্সন পীখি। কোর্টনা মরাল লৈরে হায়না লাউথোকখিবা মীওই ৩১গী মনুংদা মীওই ১১ শিবগী চৈরাক পীরগা অতোপ্পা ২০ না পূন্সি চুপ্পা কৈশুমশঙদা থম্নবা ৱায়েল পীখি।

# কর্নাটাকাদা ঈচাও থোকপা য়াবগী ফীভমদা লৈরে, পঞ্জাব অমদি হরিয়ানাদসু নোং কন্না চুরি

বেঙ্গলুরু/চান্দিগর, জুলাই ১৩ :
হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা নোং কন্না চুবদগী কর্নাটাকাদা তুরেল অয়াম্বা ঈমায় পাথোরকপা য়াবগী ফীভমদা লৈবা মরম্না ঈচাও থোরকপা য়াই হায়না চেকশিন ৱারোল পীখ্রে।

ষ্টেট নেচরেল দিজাষ্টর মোনিটরিং সেন্টরগী ওফিসল অমনা হায়খি, কৃষ্ণ তুরেলগী তোর্ব্বানদা লৈবা খুঙ্গংশিংদা ঈচাও থোরকপা য়াই। বগলকোট অমদি বেলাগাবি দিষ্ট্রিক্টশিংগী অকূৎপা মফমশিংদসু ঈশিং থুমজিল্লকপা য়াবগী ফীভম লৈবনা মীপুম খুদিংমক মীকুপ নাহুম শিংনা লৈনবা খঙহনখ্রে।

বগলকোটকী দেপ্যুটি কম্মিস্নার পি এ মেঘনাভরনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী জমখান্দি অমসুং বিলাগি তালুকতা লৈবা মীওইশিং শাফগদবা মফমদা হোংদোকখিনবা খঙহনখি।

মহাক্না হায়খি, য়ুমলোন্নবা মহারাষ্ট্রদগী দাম হাংদোক্তুনা ঈশিং থাজিল্লকপদগী সটারা দিষ্ট্রিক্টতা ঈচাও থোকপা য়াবগী ফীভমদা লৈরে।

বেলাগাবি দিষ্ট্রিক্টকী চিকোদি অমসুং রাইবাগতা লৈরিবা খুঞ্জাশিংসু শাফগদবা মফমদা হোংদোকখিনবা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা খঙহনখ্রে।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতা নোংজুগী চাং হন্থখিবা তারবসু লাক্কদৌরিবা পুং ২৪গী মনুংদা ষ্টেট অসিগী মফম খরদা নোং কন্না চুরকপা য়াই হায়না মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টকী ওফিসরশিংনা ফোঙদোকখি।

বেঙ্গলুরু অমদি মসিগা থংনরিবা মফম খরদা ময়াই ওইরপ কনবা চাংদা নোং চুরকপা য়াই হায়রি।

সেন্টিমিটর ১১গী চাংদা নোং চুখিবা চিকোদিনা নোং খ্বাইদগী কন্না চুবা মফম ওইখি। উত্তর কনারা দিষ্ট্রিক্টকী কাদ্রা অমদি বেলাগাবি দিষ্ট্রিক্টকী কুদাচিদনা সেন্টিমিটর ৭কী চাংদা নোং চুখি।

মরকসিদা, পঞ্জাব অমদি হরিয়ানাদসু নোং কন্না চুরকপা য়াই হায়না মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা চেকশিন ৱারোল পীখ্রে।

চান্দিগরগী মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা থাদোরকপা ৱারোল অমনা হায়খি, লাক্কদৌরিবা নুমিৎ খরনিগী মনুংদা ষ্টেট অনী অমসুং চান্দিগরদা ময়াই ওইরপ কনবা চাংদা নোং চুরকপা য়াই।

চহী অসিগী ওইনা নোংজুথা থেংনা য়ৌরকপগী মতাংদা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর সুরিন্দর পোলনা পাউমীশিংদা হায়খি, মতম খরা থেংনা নোংজুথা য়ৌরক্লবসু পঞ্জাব অমদি হরিয়ানাদা নোং কন্না চুরক্লগনি। মতম খরগী মমাঙদা নোং চুরকখিদবা মরম্না ষ্টেট অনী অসিদা মীয়াম্না কা হেন্না শাবগী অৱাবা মায়োক্লখি। হৌজিক্তি ষ্টেট অনী অমদি চান্দিগরদা খ্বাইদগী শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রী ৩৫ দগীনা ৩৭ ফাওবগী মনুংদা লৈরে।

## ঈঁৗডব্ল৷ / ইঙ্খোল অমা য়োঞ্জরি

পেলেস কম্পাউন্দগী মচা লৈমা স্কুল মনাক্তা লৈবা ০.০২৬৭ একর (৩৩ পাকপা, ৪০ শাংবা) মী লৈনদ্রিবা শাবা লোইরবা পক্কা বিল্ডিং য়াওবা ইঙ্খোল অমা অথুবগী ওইনা য়োঞ্জরি। পাম্বীবশিংনা কোন্টেক্ট তৌবীরকউ।

HL-P/8708/ 14 & 15

Pliz Contact : ☎ 9856153218
9856698341

টেংগাৱরৌ/ লায়েংজরি
UMA AYURVEDIC CLINIC
(DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্না লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থর্ককনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোন্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream
Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,

HL-B/3123/3/06-2/07

COMET SCHOOL
A Co-Educational Higher Secondary School
Changangei Uchekon near Tulihal Airport, B.P.O. Tulihal - 795140, Imphal West, Manipur

Situation Vacant
11/07/2016

No. CSA/2016/02 : Applications are invited from the interested candidates for the following post.

| Sl. | Name of Post | No. of Post | Min. Qual. | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1 | CHEMISTRY LECTURER | 1 | M.Sc. (Chem) | Rs.12,000/-* |

* Salary negotiable for well experience, deserving candidate (s).
- Prescribed application form and detailed information may be obtained from the office of the undersigned during office hours i.e., 10:00 a.m. to 02:00 p.m.
- Last date of issue & submission of application forms : 21st July, 2016 till 12:00 noon
- Date, time and place of interview : 22nd July, 2016 at 10:00 a.m. in the school premises.
- Please bring all the original documents for verification.

Sd/-
Principal, COMET SCHOOL


HL-B/3179/ 12 & 14

CAS Centre for Advanced Studies
No.1 in Manipur
The only institute collaborated with ENRICHMENT, New Delhi

ADMISSION OPEN
CLASS XII & CLASS XI
NEW BATCH (2016 - 2017)
CLASS X
(Eng, Maths, Science., Social Sc. & Man)

SPECIAL FEATURES:
- Special Guest teachers(Council & Board).
- Experienced and Expert Faculties.
- Exam. Oriented Chapterwise Study Materials.
- Weekly and Monthly Test Series.
- Targeted Suggestion for Final Exam. by Experts.
- Vision for toppers.

New Evening Batches Commencing from 11th July, 2016 (4.30– 7.30) P.M.



17th Position Y. Sadananda 90.6%HSLCE(2015)
15th Position Waikhom Sylvish 92%HSLCE(2013)
16th Position Sonia Naorem 89%HSLCE(2012)

New Batches Commencing from 11th July, 2016
Morning Batch (4.30– 7.30) A.M.
Van Service, Hostel for BOYS & GIRLS available
For Details contact:- CAS Office
Centre for Advanced Studies
Keishampat Junction, Imphal.

HL-B/3121/2 Jun to2 Aug (Alt)

BRIDGE ACADEMY

MANIPUR UNIVERSITY 1ST GATE, CANCHIPUR - 795003
A PREMIER COACHING INSTITUTE FOR CLASSES IX, X, XI & XII (COHSEM & CBSE)

CLASS XI -CHEMISTRY

Class commencing on Monday, the 18th of July' 2016, Morning: 6:00 am & 7:00 am
FOR DETAILS

FULL COURSE
TUITION FEE AS PER SUBJECT
- CLASS – IX @ Rs. 3,000/-
- CLASS – X @ Rs 3,500/-
- CLASS – XI @ Rs 4,000/-
- CLASS – XII @ Rs 4,500/-

PLEASE CONTACT: # 9856427772, 9856797772 or 8413969894 or visit our Office

SALIENT FEATURES
- LIMITED SEATS OF 30 STUDENTS PER CLASS FOR EFFECTIVE ONE ON ONE INTERACTION
- CHAPTER WISE CLASS TEST AFTER COMPLETION OF EVERY UNIT
- TEACHING AND LEARNING PROCESS USING AUDIO VISUAL AIDS AND MODELS
- EXPERIENCED INSTRUCTORS (GATE, SLET & PhD QUALIFIED)

HL-P/9087/ 13 - 17 July